

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, WEDNESDAY, MARCH 15, 2017 PAGE 7

*ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্রিকেট টিমদা বোল্লরশিংগী ওইবা কম্পিটিসনদা মখা তানা ওষ্ট্রেলিয়াগী টিমদা শরুক য়ান্নবা কন্না হোৎনরিবা বোল্লর পেট কম্মিনস*

*বি এন পি পরিবাস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মায় পাক্কুনা মরিশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রবী জর্মনিগী এজেলিক কর্বর*

# ৭শুবা অমজু জর্নেলিষ্ট স্পোর্টস মিটকী হুমনি শুবদা সনালৈবাক্না মেডল মরি ফঙখ্রে, বিমোলচান্দনা চেছকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে, টেবল টেন্নিসতা লেনিন্দ্রোনা রন্নর্স অপ তাখ্রে



৭শুবা অমজু জর্নেলিষ্ট স্পোর্টস মিটকী চেছ মশান্নদা মকোক ওইখ্রবা সনালৈবাক্কী লাইশ্রম বিমোলচান্দ (ময়াই), অনীশুবা তাখ্রবা নহারোল থৌদাং পাউ-চে গী ই বোরমণি (ওই) অমসুং অহুমশুবা তাখ্রবা সনালৈবাক্কী হেমচন্দ্র (য়েৎ)



৭শুবা অমজু জর্নেলিষ্ট স্পোর্টস মিটকী টেবল টেন্নিসকী চেম্পিয়ন কাংলা পাউগী নিরমল (ময়াই), অনীশুবা পোজিসন তাখিবা সনালৈবাক্কী তখেলম্বম লেনিন্দ্রো মঙাঙ অমসুং অহুমশুবা তাখিবা সনালৈবাক্কী সুরজিৎ মৈতৈ

*ইম্ফাল,মার্চ ১৪ঃ*

ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু)না শিন্দুনা চথরকখিবা ৭শুবা জর্নেলিষ্ট স্পোর্টস মিটকী ঙসি হুমনি শুবা নুমিৎতা পাংথোকখিবা ইভেন্টশিংদা সনালৈবাক্কী ওইনা চেছ মশান্নদা পাউ চে অসিগী লাইশ্রম বিমোচান্দনা গোল্ড মেডল ফঙখ্রে। মশান্না অসিগী ওইনা পাউ-চে অসিগী এস হেমচন্দ্রা অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে। নাকল অমরোমদা টেবল টেন্নিসকী নুপাগী কাংলুপ্তা পাউ-চে অসিগী তখেলম্বম লেনিন্দ্রো মঙাঙ না অনীশুবা পোজিসন তাখি।

তরেৎশুবা অমজুনা শীন্দুনা পাংথোকখিবা স্পোর্টস মিট অসিদা পাউ-চে অসিগী ওইনা পুন্না মেডল মরি লৌখ্রে।

ঙসি অহুন্নক শুবা ওইনা পাংথোকখিবা অয়ুক্কী ওইবা ইভেন্টদা টেবল টেন্নিস মশান্নদা পাউ-চে অসিগী ওইনা টি লেলিন্দ্রোনা অনীশুবা পোজিসন তাখি। অহুমশুবা পোজিসনদা পাউ-চে অসিগী ওইনা সুর মৈতৈনা তাখি। পুন্না পাউ-চে অসিগী ওইনা পাংথোক্লিবা ৭লক শুবা অমজুগী জর্নেলিষ্ট স্পোর্টস মিট অসিদা মেডল ৪ একাউন্ট হাংদোকখিবা ঙমখিবনি। হুমনি শুবা নুমিৎতা অয়ুক্কী ওইবা ইভেন্টতা পাংথোকখিবা নুপাগী ওইবা বেদমিন্টন মশান্নদা মান্নবা পাউ-চেগী এম বিক্রমজিৎনা অহানবা মনা ফঙখি। ইন্টর মেদিয়াগী ই বোরমণিনা অনীশুবা অমদি অহুমশুবদা ঐখোয়গী পন্থুং পাউ-চে গী বি সজয়না তাখি।

নুপীগী ওইনা পাংথোকখিবা বেদমিন্টনগী মশান্নদা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী এন রিনা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবদা আই এস টি ভি এন নেগ্রিনা অমদি টি ঐচ জয়ালক্ষমিনা তাখ্রে।

নুংথিলগী মতমদা পাংথোকখিবা চেছকী মশান্না অদুদা পুন্না তোঙান তোঙান্বা ফার্মগী শান্নরোই কয়ানা শরুক য়াখিবা অদুদা পাউ-চে অসিগী ওইনা বিমোলচান্দনা অহানবা অমদি হেমচন্দ্রনা অহুমশুবা মনা ফঙদুনা পাঙথোক্লিবা তরেৎলকশুবা অমজুগী স্পোর্টস মিট অসিদা পাউ-চে অসিগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা মেডল মরি ফঙবা ঙল্লে হায়রি।

অমজুনা শীন্দুনা পাংথোক্লিবা স্পোর্টর্স মিট অসিদা পাউ-চে অসিগী ওইনা মেডল মরি ফঙলকপা অসি পাউ-চে অসিগী ওইনা নুংঙাইবা অমদি পাংথোক্লিবা আমজুগী স্পোর্টস মিট অসিগী হয়েংমরিনি শুবা নুমিৎতা অয়ুক্কী মশান্না ওইনা ফুটবোলদা খুরাই থোং ময়াদা লৈবা তর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নগনি। অরোইবা নুমিৎথা অসিগী ১৬ তা ক্রিকেটকী মশান্না পাংথোক্কগা পাংথোক্লিবা ৭লক শুবা অমজুগী জর্নেলিষ্ট স্পোর্টস মিট অসি লোইশিনগনি হায়রি।

# ৬ শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কংলৈপাক ফুটবোল ট্রোফিদা কেএসএ না এমএসএফপু ২-১ দা থোইখ্রে, ২শুবা কংলৈপাক থাং তাদা ঐচএলটিএ য়ুম্নাম হুইদ্রোমনা মেডল ১৪ ফংখ্রে



*ইম্ফাল,মার্চ ১৪ঃ*

কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসননা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপা ৬ শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কংলৈপাক ফুটবোল ট্রোফি ২০১৭ গী ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টতা লৈবা মপাল কাংজৈবুংদা শান্নখিবা মেটচ অমদা কেএসএনা এমএসএফপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে। নাকল অমরোমদা য়ুম্নাম হুইদ্রোম মখা লৈকাইদা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকপা অনীশুবা কংলৈপাক থাংতা চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭ গী ঙসিগী শান্নবা লোইশিনখিবদা ঐচএলটিএ য়ুম্নাম হুইদ্রোমনা পুন্না মেডল ১৪ ফংলগা অতোপ্পা টিম ১০ দগী হেল্লগা মাঙজিল থাদুনা চৎলি।

মপাল কাংজৈবুংদা শান্নবা ৬ শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কংলৈপাক ফুটবোল ট্রোফিগী মেটচ অমদা এমএসএফ অমদি কেএসএ লম্বা তৌনবদা অহানবা পাঞ্জল অদু এমএসএফকী মায়কৈদগী টিঐচ কিষননা শান্নবগী ১০ শুবা মিনিটতা চনখি।

মদুগী মখা তারকপা শান্নবগী ২৪ শুরকপা মিনিটতা কেএসএগী থোইথোইবনা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা টিম অনীমক পাঞ্জল অমমমদা লৈনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা মিনিট ৫ দং ঙাইরিঙৈ মতমদা থোইথোইবনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা কেএসএনা এমএসএফপু পাঞ্জল ২-১ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। মখা তাবা শান্নবগী লেমহৌবা মতম অদুদা এমএসএফকী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা মেটচ অদু কেএসএনা ২-১ দা থোইখি।

কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসননা শিন্দুনা য়ুম্নাম হুইদ্রোম মখা লৈকাইদা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকপা অনীশুবা কংলৈপাক থাংতা চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭ গী শান্নখিবা ইভেন্টশিংদা ঐচএলটিএ য়ুম্নাম হুইদ্রোমনা গোল্ড মেডল ৭, সিভলর ৩ অমদি ব্রোঞ্জ ৪ ফংলগা পুন্না মেডল ১৪ ফংদুনা অতোপ্পা টিম ১০ দগী মখোয়না মাঙজিল থাদুনা চৎলি।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপামচাগী চহী ১৬ মখাগী ফুন্নবা অমা অমসুং অনীশুবা ইভেন্টকী কেজি ৫৪ মখাগী কেটেগোরিদা কেএফটিএ ৱাবগাইগী ঙাম্ব্রোইবনা গোল্ড ফংলগা লাইরিকয়েংবম লৈকাইগী মাগৈ মঙাঙ অমসুং সেঞ্জম খুন্নৌগী লু হেনবনা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ ফংখি।

কেজি ৫৮ গী কাঙলুপ্তা ঐচএলটিএ, য়ুম্নাম হুইদ্রোমগী নাওবনা গোল্ড ফংলগা ঐচএনটিএ হিয়াংথাংগী নোংদম্বা অমসুং লাইরিকয়েংবম লৈকাইগী মোমোচানা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ ফংখি।

কেজি ৬২ গী মখাগী কেটেগোরিদা ঐচএলটিএ, য়ুম্নাম হুইদ্রোমগী দিপকনা গোল্ড ফংলগা ঐচএনটিএ, হিয়াংথাংগী সুরঞ্জয়না সিলভর অমসুং সাই থৌবালগী রাজেসনা ব্রোঞ্জ ফংখি।

কেজি ৬৬ মখাগী শান্নবদা ঐচএলটিএ, য়ুম্নাম হুইদ্রোমগী কেনজিৎনা গোল্ড ফংলগা লাইরিকয়েংবম লৈকাইগী বিদ্যনন্দ অঙোমনা সিলভর অদুগা ঐচএলটিএ, য়ুম্নাম হুইদ্রোমগী সাগৈঙানবা মৈতৈনা ব্রোঞ্জ ফংখি।

চথরিবা ফুন্নবা অমা অমদি অনীশুবগী ইভেন্টকী চহী ১৬ মখাগী নুপীমচাগী কম্পিটিসনদা কেজি ৩৬ মখাগী ঐচএলটিএ, য়ুম্নাম হুইদ্রোমগী উমা দেবীনা ফংলগা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা কেএমটিএ পলেল অমদি অঞ্জিকা, কোঞ্জেং লৈকাইগী টিনা অমসুং নন্দরানিনা লৌখি।

কেজি ৪০ মখাগী লম্বাদা ঐচএলটিএ, য়ুম্নাম হুইদ্রোমগী য়ুম্নাম পিঙ্কিনা গোল্ড ফংলগা পাহুলাসি, ময়ায়কোইবীগী সিঐচ মেরিনা সিলভর অদুগা লাইরিকয়েংবম লৈকাইগী হুইদ্রোম এলিয়ানা ব্রোঞ্জ ফংখি।

কেজি ৪৪ মখাগী কাঙলুপ্তা ঞেম খুন্নৌগী নোংমৈকাপম অঞ্জলিনা গোল্ড ফংলগা লাইরিকয়েংবক লৈকাইগী লনচেনবীনা সিলভর অদুগা সেঞ্জম খুন্নৌগী রোসিবিনানা ব্রোঞ্জ লৌবা ঙমখি।

কেজি ৪৮ মখাগী কাঙলুপ্তা পাহুলাসি, ময়ায়কোইবীগী প্রিয়ঙ্কানা গোল্ড, ঐচএলটিএ, য়ুম্নাম হুইদ্রোমগী দয়ারানিনা সিলভর অদুগা মাকলংগী তোংব্রম নাওবীনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

কেজি ৫২ মখাগী লম্বা তৌনবদা ঐচএলটিএ, য়ুম্নাম হুইদ্রোমগী লোংজম সোফিয়ানা গোল্ড মেডল ফংলগা সাই থৌবালগী প্রিয়ঙ্কা ফিলেম্মা সিলভর অদুগা ঐচএলটিএ, য়ুম্নাম হুইদ্রোমগী হুইদ্রোম মেলোদিনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি।

নুপীমচাগী চহী ১৬ মখাগী ফুন্নবা অমা অমদি অনীশুবা কাঙলুপকী কেজি ৫৪ মখাগী লম্বা তৌনবদা সাই থৌবালগী ওইনাম গিতানা গোল্ড মেডল ফংখি। ঐচএলটিএ, য়ুম্নাম হুইদ্রোমগী য়ুম্নাম নাওবীনা সিলভর অদুগা ঐচএলটিএ, য়ুম্নাম হুইদ্রোমগী অতোপ্পা শান্নরোই লাইশ্রম পুনিলকুমারীনা ব্রোঞ্জ লৌবা ঙমখি।

কেজি ৬০ মখাগী লম্বাদা সাই, মোইরাং খুন্নৌগী লৌরেম্বম মোনিকানা গোল্ড ফংলগা ঐচএনটিএ হিয়াংথাংগী টিঐচ সনাথোইনা সিলভর ফংখি অদুগা ঐচএলটিএ, য়ুম্নাম হুইদ্রোমগী ঐচ সন্ধ্যারানিনা ব্রোঞ্জ লৌবা ঙমখি।

কেজি ৬৪ মখাগী কাঙলুপ্তা ঐচএলটিএ, য়ুম্নাম হুইদ্রোমগী পেবম চাউবা দেবীনা গোল্ড মেডল ফংলগা মহাক্কী টিমমেট ঐচএলটিএ, য়ুম্নাম হুইদ্রোমগী অতোপ্পা শান্নরোই এস সনাতোম্বীনা সিলভর লৌরবা মতুং ঐচএনটিএ, হিয়াংথাংগী ঐচএন রিনানা ব্রোঞ্জ লৌখি।

থাং তাগী ঙসি শান্নখিবা কম্পিটিসন অদুদা ঐচএলটিএ, য়ুম্নাম হুইদ্রোমনা গোল্ড ৭, সিলভর ৩ অমদি ব্রোঞ্জ ৪ ফংলগা পুন্না মেডল ১৪ ফংদুনা মেডল টেলিনা মখোয়না খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। অনীশুবদা সাই থৌবালনা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল অমমম ফংলগা মেডল টেলিদা অনীশুবদা লৈরি। অদুগা পাহুলাসি ময়ায়কোইবীনা গোল্ড অমসুং সিলভর অমমম ফংলগা অহুমশুবদা লৈরি।

সেঞ্জম খুন্নৌনা গোল্ড অমা অমসুং ব্রোঞ্জল অনী পুন্না মেডল ৩ ফংলগা মরিশুবদা লৈরি। মঙাশুবদা কেএমটিএ ৱাবগাই অমসুং সাই, মোইরাং খুন্নৌনা গোল্ড মেডল অমমম ফংলগা লৈমিন্নরি। অমরোমদা লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা সিলভর ৩ অমদি ব্রোঞ্জ ২ ফংলগা ৬ শুবা পোজিসনদা লৈরি।




*কাংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা পাংথোকপা ৬লক শুবা কাংলৈপাক মরাথোন লমজেলগী শেম শারিবা শান্নরোইশিং*